
# এসিয়ন রেস্টলিং চেম্পিয়নশিপ ঃ দিপক, অনিল অমসুং রিতুনা ব্রোঞ্জ মেদল রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে

## হরপ্রীটনা কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে





ন্যু দেল্লি, মে ১১ :
ইন্দিয়াগী গ্রেকো রোমান রেষ্টলর দিপক অমদি অনিলকুমারনা মফম অসিদা চথরিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকী শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মখোয় মখোয়গী বাউটশিংদা মায় পাকখিদুনা ব্রোঞ্জ মেদল রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা নুপীগী কেজি ৬৩ গী কাঙলুপ্তা রিতুসু মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

দিপকনা কেজি ৭১ গী কাঙলুপকী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা ইরানগী অফশিন নিমাট বয়াবানগার্দকী মখূৎতা ১-৩ দা মায়থীখি। অদুবু দিপক্না ব্রোঞ্জ অমদি প্লেওফকীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। ইরানিয়ন অসিনা গোল্ড মেদলগী রাউন্দদা চঙখি।

অনিলকুমারসু কেজি ৮৫ গী কাঙলুপকী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদলগী প্লে-ওফতা চঙখি। অনিলকুমারনা জপানগী অটসুশি মাটসুমোটোগী মখূৎতা ০-৭ তা মায়থীখি। অদুবু লাইবক ফবনা ব্রোঞ্জ মেদলগী রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি।

জপানিজ অসিনা গোল্ড মেদল রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

দিপক্না ব্রোঞ্জ মেদলগী রাউন্দদা কাজখষ্টানগী নুর্গাজি অসাঙলোভকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি অদুগা অনিলনা উজবেকিষ্টানগী মোহম্মদালি শামিসিদিনোভকা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

নুপীগী কেজি ৬৩ গী কেটাগোরিদা রিটুনা চাইনিজ টাইপৈগী মিন-ৱেন হৌবু ৫-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা চঙখি অদুবু মঙ্গোলিয়াগী বাট্টসেটসেগ সোরোনজোনবোল্ডগী মখূৎতা ২-১২ দা মায়থীহৌখি। সোরোনজোনবোল্ডনা গোল্ড মেদলগী রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি অদুগা রিটুনা ব্রোঞ্জ মেদল রাউন্দ চঙখি।

রিটুনা কোরিয়াগী জিনয়ং হাঙগা ব্রোঞ্জ মেদল রাউন্দদা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

অতোপ্পা গ্রেকো রোমান অমদি নুপীগী রেষ্টলরদা শরুক য়ারিবা গ্যানেন্দর ( কেজি ৫৯) অমদি জয়োতি (কেজি ৭৫) না মখোয় মখোয়গী বাউটশিংদা মায়থীহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী ঙন্না মপান থোকখি।

গ্যানেন্দরনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা কাজখষ্টানগী কেলি সুলাইমানোভকী মখূৎতা ১-৫ দা মায়থীখি। অদুগা জয়োতিনা জপানগী মসাকো ফুইচিগী মখূৎতা সেমী ফাইনেল বাউটতা ১-১০ দা মায়থীখি। অদুম ওইনমক জয়োতিনা মমাঙদা শান্নখিবা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা কোরিয়াগী সিয়োয়োন জিওনবু ৫-১ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা চেম্পিয়নশিপ অসিগী য়ূমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রেকো রোমানগী কেজি ৮০ গী ৱেথ কেটাগোরিদা হরপ্রীট সিংহনা চিনাগী জুনজি নাবু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়ম কমপ্লেক্সকী কেদি য়াদব এরেনাদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা হরপ্রীটনা চিনাগী জুনজি নাবু কৃক-কৃক ইন্ননা শান্নখিবা বাউট অদুদা নমহৎখিদুনা মায় পাকখি।

ইন্দিয়ানা গ্রেকো রোমান্দা থোইদোক্লা মশক থোক্লা শান্নবা ঙমদ্রবসু হরমনপ্রীটনা মেদল লৌবা ঙমখিবা অসিদা ইন্দিয়াগী টিমদা হরাউবা ফোঙদোক্লখি।

হরপ্রীটনা প্লিমিনরি রাউন্দদা জপানগী য়ুয়া মেটাবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কোরিয়াগী জুনহেয়ঙ কিগী মখূৎতা টেক্নিকেল ফোলদা ০-৮ দা মায়থীখিদুনা ব্রোঞ্জ মেদল রাউন্দগীদমক চঙবা ঙমখি।

মেদল মেচ অদুদা হরপ্রীটনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা অনীশুবা রাউন্দদা পোইন্ট অনী ফংখিদুনা চাইনিজগা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। মহাক্না চাইনিজবু অথুবদা নমহৎপা ঙমখিদুনা বাউট অদু মায় পাকখি।

অতোপ্পা কেজি ৭৫ গী কেটাগোরিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা কাজখষ্টানগী মাক্সট য়েরেজেকোপকী মখূৎতা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল রাউন্দ চঙখিবনি। মহাক্না ব্রোঞ্জ মেদল রাউন্দদা চিনাগী বিঙ য়াংগী মখূৎতা টেক্নিকেল ফোলদা ০-৮ দা মায়থীদুনা মেদল লৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

হরদিপ সিংহসু কেজি ৯৮ গী কেটাগোরিদা কাজখষ্টানগী য়েরুলান ইস্কাকোভকী মখূৎতা টেক্নিকেল ফোলদা ০-৯ দা মায়থীহৌখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা ইরানগী সয়িদমোষ্টাফা সয়িদঘারিবার সলেহিজাদেগী মখূৎতা মায়থীখিবনি।

# দৈগো মরাদোনানা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী ফুজাইরাহ এফ সীগী অনৌবা কোচ ওইখ্রে

অবু ধাবি, মে ১১ :
হান্নগী অর্জেন্টিনাগী নেসনল কেপ্তেন ওইরম্বা দৈগো মরাদোনানা ফুটবোল মশান্নদগী চহী খরা পোত্থাদুনা লাকখ্রবা মতুং হন্দক্তা ফুজাইরাহ এফ সীগী হেদ কোচ ওইরে হায়না য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ) গী ক্লব অসিনা লাউথোকখ্রে।


কুমজা ১৯৮৬ কী ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা অর্জেন্টিনানা টাইটল লৌখিবা অমদি মতুং চহী মরি লৈরগা রন্নর-অপ তাখিবদা চাউনা মতেং পাঙখিবা লেজেন্দ অসিনা মহাক্কী ফেসবুক পেজদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী সেকেন্দ দিভিজন্দা শান্নরিবা অল-ফুজাইরাহ এফ সীগী অনৌবা কোচ ওইরে হায়না ফোঙদোকখি।



হান্না বোকা জুনিয়র, নাপোলি অমদি বার্সেলোনাগী ষ্ট্রাইকর ওইরম্বা মারাদোনানা অল-ফুজাইরাহ এফ সীগী অঙাংবা অমদি অঙৌবা মচুগী ফুরিৎতা মহাক্কী মমিং অমদি নম্বর ১০ থাবা ফোটো অমসু ক্লব অসিনা সোসল মেদিয়াগী খুথাংদা থাগৎলকখি। মশাগী চহী ৫৬ শুরবা মরাদোনানা ফুটবোলগী মেনেজমেন্টদা হন্দক অমুক হন্না হল্লক্কদৌরিবা অসি চহী মঙাগী মতুংদা অহানবনি।

মরাদোনানা কুমজা ২০০৮ দা অর্জেন্টিনাগী নেসনল টিমগী কোচ ওইখিবদা নত্তনা মতুং চহী অনী লৈরগা ৱর্ল্ড কপ্তা পুশিনখি অমদি কুমজা ২০১১ গী মে থাদা অরোইবা ওইনা য়ু এ ঈগী ক্লব অল ৱাসলগী কোচ ওইনা লৈরম্লবসু চহী অমগী মতুংদা লৌথোকখি। মরাদোনাবু চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা ফিফাগী প্রসিদেন্ট জয়ান ইনফান্টিনোনা মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্নিং বোদি অসিগী এম্বেসেদর ওইনা হাপখি।

# ইন্দিয়াগী বোক্সর ভিকাস কৃষ্ণনবু ৱর্ল্ড সেরিজ ওফ বোক্সিংদা শরুক য়াদনবা অথিংবা থমখ্রে



ন্যু দেল্লি, মে ১১ :
হন্দক্তা কজাকষ্টানগী টাসকেন্টদা লোইশিনখিবদা ঙাইখিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সেমী ফাইনেল বাউটকী ৱক্কওভর পীথোকখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর ভিকাস কৃষ্ণনবু ৱর্ল্ড সেরিজ ওফ বোক্সিংদা শরুক য়াবদগী অথিংবা থমখিবদা নত্তনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী দিসিপ্লিনরি কম্মিটিদা মহাক্না ৱক্কওভর পীথোকখিবগী মরম খঙহল্লক্কবা হায়খ্রে।

পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১১ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট কৃষ্ণননা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অদুগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট মনুংদা মশাগী লেংবান্দা অশোকপা লৈখি। অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা মখা তানা হেন্না ফীভম ফৎলকখিদে। মরম অদুনা মহাক্না মহাক্কী সেমী ফাইনেলগী বাউট অদু শান্নখিদবনি হায়না সোর্স অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল অমদি এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল লৌখিবা ভিকাস কৃষ্ণননা মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা মহাক্না কেজি ৭৫ গী কাঙলুপকী সেমী ফাইনেল বাউট অদু শান্নদনা কোরিয়াগী লি দোংয়ুনদা ৱক্কওভর পীথোকখিবনি। ভিকাসনা ৱক্কওভর পীথোকখিবগী মরম অদু নিংথিনা খঙখিদ্রবসু বি এফ আইগী প্রসিদেন্ট অজয়সিংহনা মদুগী মরমদা শুংশোয় শোয়দনা ইনক্বারি অমা চথগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অজয় সিংহনা হায়খি, ভিকাসপু ৱর্ল্ড সেরিজ ওফ বোক্সিংদা শরুক য়াহল্লরোই। মসিগী মথক্তা বি এফ আইগী দিসিপ্লিনরি কম্মিটি অমনা ভিকাসকা মহাক্না ৱক্কওভর পীথোকখিবগী মরম হংখিগনি। মহাক্নদি অশোকপা লৈখিবদগী সেমী ফাইনেল বাউট অদু শান্নখিদবনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু মদু কয়ামুক চুম্বগে হায়বদু মখা তানা থিজিনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ভিকাসনা মে ১১ দা শান্নগদবা ৱর্ল্ড সেরিজ ওফ বোক্সিংদা ব্রিটিশ লাইওনহার্থসকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি। ইন্দিয়াগী বোক্সিংদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ভিকাসনা ওলেম্পিক্তা অনীরক শরুক য়াখি। মমাঙ চহীদা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন (এ আই বি এ) না চহীগী ওইনা পাঙথোকপা থৌরমদা বেষ্ট বোক্সরগী মনা পীখিবা লৈবাক অসিগী অহানবা বোক্সর ওইখিবনি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
NINGTHOUKHONG, MANIPUR

*Ref:- Mut. Case No. 159/SDC/NTK /2017*

1. Thiyam Nabachandra Singh s/o (L) Th. Ibotombi Singh of Ningthoukhong Kha-Khunou W/No. 4.
2. Machin Manaogi Yum Lambi...

*-Petitioners*

-Vs-

Co-Pattadar No. 1 Late Thiyam Ibotombi Singh s/o (L) Gulamjat Singh of Ningthoukhong Kha.

*-O.P.*

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ/NOTICE

Ningthoukhong, the 09th May, 2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি ৪৪-নিংথৌখোং খা ভিলেজগী পাট্টা নং ৪৪/৩২৩/১০৩৩ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ২০৪০/২৬১২ এরিয়া ০.০৮ acre out of ০.২০ একর চাওবা ইশ্বোল ক্লাস অসিগী কো-পাট্টাদার নম্বর (১) অসি মৃ: ওইখিবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী মচানুপা অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংলবদি উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্লিবা মে ১৭, ২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/1568/12*


STUDY MBBS/MD IN ABROAD

BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS, SYLHET WOMEN'S MEDICAL & MARKS MEDICAL COLLEGE.
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, KAZAKH NATIONAL MEDICAL UNIVERSITY.
PHILIPPINES: - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM, EMILIO AGUINALDO SCHOOL OF MEDICINES.
CHINA: HENAN UNIVERSITY, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING,
RUSSIA : ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.

*PLZ Contact*: - Atawar Rahman
A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong,
Near Cambridge School, old Campus Imphal.

NOTE: : Scholarship Available for For Master and PhD in China.

Contact No.: 9856363129, 9615706900 , 7085715427,8974084294 ,

HL-P/1397/22 Apr.-22 May


# জোকোভিচ, রফেল নদাল, বৌচার্দ মেদ্রিদ ওপন্দা মায় পাকখ্রে, কার্বর মায়থীদুনা লৈহৌরে





মেদ্রিদ, মে ১১ :
নোভাক জোকোভিচনা মফম অসিদা চথরিবা মেদ্রিদ মাষ্টরস ওপনগী য়ূমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা য়াম্না ৱানা মায় পাকখি। অদুগা রফেল নদালনা মায়োক্নখিবা লম্বাবু নমহৎখিদুনা মথং রাউন্দ চঙখি।

জোকোভিচনা মহাক্কী মতম কুইনা লোইনরক্লবা কোচকা হন্দক্তা লাপথোক্লখিবা মতুং অহানবা ওইনা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা নিকোলাস অলমার্গোবু ৬-১, ৪-৬, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা নদালনা ফাবিও ফোগনিনিবু সেট অহুমদা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। জোকোভিচনা স্পানিসকী কেপিটেল অসিদা মহাক্কী চহী ১০ লোইনদুনা লাক্লবা কোচ য়াওদনা শান্নবা লাকখি।

জোকোভিচনা লাষ্ট সিক্সটিনগী মেচতা ফেলিসিয়ানো লোপেজগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। ফেলিসিয়ানো লোপেজনা গিলেস সিমোনবু ৬-৩, ৩-৬, ৭-৬ (৭-৬) তা মায়থীবা পীখিবনি।

জোকোভিচনা হায়খি, ঐনা হৌজিক ঐগী মেচ অসি ক্বালিটি লৈবা মওংদা পুররক্লবা মিৎয়েং থল্লি। ঐগী খ্বাইদগী ফবা মেচ অদু মফম অসিদা শান্নবা ঙমদ্রি। অদুমকপু ঐনা মশক থোক্না শান্নরক্কনি হায়বগী থাজবদি লৈ হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা জোকোভিচনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্কী লম্বাবু মায়থীবা পীবা ঙম্লবদি নদালগা সেমী ফাইনেলদা মায়োক্নবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।

রফেল নদালনা ইটালিয়ন ফোগনিনিবু ৭-৬ (৭-৩), ৩-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট সিক্সটিন্দা খুমাঙ চাউশিনখি।

গ্রান্দ স্লাম ১৪ রক লৌখ্রবা নদালনা লাষ্ট সিক্সটিন মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওসকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

ৱাথোক ওইরবা ওষ্ট্রেলিয়ন ক্রিগিওসনা অমেরিকাগী রয়ান হরিসনবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখিবনি। মঙাশুবা সীদ মিলোস রাওনিক্না গিল্লেস মুল্লরবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট সিক্সটিন্দা চঙখি। মহাক্না মথংগী মেচতা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনগা শান্নগনি।

জপানগী কৈ নিসিকোরিনা আর্জেন্টিনাগী দৈগো স্বর্টজমেনবু ১-৬, ৬-০, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। নিসিকোরিনা মথংগী মেচতা দেভিদ ফেররগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

নুপীগী মেচতা ইগনী বৌচার্দনা হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এঞ্জেলিক কর্বরবু ৬-৩, ৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি। এঞ্জেলিক কর্বরনা মশাগী অশোকপা লৈবদগী মেচ মপুং ফানা শান্নখিদদুনা রিটয়ার্দ তৌখিবদগী বৌচার্দনা মায় পাকখিবনি।

ꯄꯥꯎꯖꯦꯡꯕ/পাউজেঞ্জবা

লাক্লিবা কালেনগী ১৬ নি পানবা চৈচৎ ১২/০৫/২০১৭ কুমজা, ইরাই নুমিত্তগী চীংনুংকোক খুঙ্গং অসিবু কোনবীরিবা লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী নোংপোক নিংথৌ, নোংপোক পান্থোইবী অমদি ইমা হাওরৈমা-গী ৭ (তরেৎ) নি চুপ্না কুমজা হরাওজগনি। মরম অসিনা পুম্নমক্না লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অহুমগী কুমজা হরাওবদা শরুক য়াবিনবা নীংশিংজরি।

*HL-P/1548/10,11,12* *নোল্লুকচরিবা ঃ* **লাই কম্মীটি, চিংনুংকোক**

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
NINGTHOUKHONG, MANIPUR

*Ref:- Mut. Case No. 161 and 162/SDC/NTK of 10-5-2017*

Laishram (o) Sulochana Devi w/o. Ibopishak Singh of Keishamthong Hodam Leirak.

*-Petitioner*

-Vs-

Soubam (N) Laishram (o) Maipakpi Devi w/o. (L) Thambou Singh of Keishamthong Hodam Leirak.

*-O.P.*

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ/NOTICE

Dt. 10-5-2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খুন নম্বর ৪৭-শুনুসিফাই বি টিগী পাট্টা নং (১) ১৩৯ অরিবা ২৭৯ অনৌবা দাগ নং ১২০৩/১২৯৯ একর ০.৫৯ চাওবা ফৌরেল লৌফম অমদি ২৩ অরিবা ১৪০ অনৌবা দাগ নং ১২১৮ একর ১.৯৬ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদারিনি ওইবীরম্বা মাইপাকপী দেবী মশা মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মহাক্কী ইমুংগী মীওইনা মৃ: পাট্টাদারিনিগী মীং কল্লগা মমীংদা নাম্মা পানবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংলবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি কোর্টনা লৌরোই, কেস মখা চৎথজগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/1572/12*

**ꯈꯣꯡꯒꯤ ꯆꯍꯤ/খোঙ তোয়না হাম্বা, তোলহাউ তোয়নবা ফায়বা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা অমাঙথোঙ ময়াদগী ঈ কাপথোরকপা, কোক ঙাওবা, পুক্তা নুংশিৎ কারগা পুক নাবা, থবাক্লোমদা অমুক চেনখৎপা, থবাক অমুক নাবা ফহনবগী ওজা জিয়া উল হগপু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কুইনা নাদুনা খোঙ তোয়না হাম্বা অমদি তোলহাও তোয়না ফায়বা, খোঙ তোনা হাম্লকপনা মরম ওইদুনা হকচাং য়াম্না চোকথবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা অমাঙথোঙদা য়াম্না হাক্কৎচবা অমদি খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা অমাঙথোঙ ময়াদগী ঈ কাপথোরকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা কোক ঙাওবা অমদি পাঙ্গল শোন্থবা, পুক্তা নুংশিৎ কারগা পুক নাবা, অদুগা অমুক থবাকলোমদা চেনখৎলগা থবাক অমুক নাবা, ঙক মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা শাবা, য়াংলেন শরূ নাবা, চাবা তুমদবা, চানিং-থকনিংবা পোক্তবা, খ্বাঙ নাবা, কাপ্লাক মরী নাবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9615256612** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ* 1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday&Saturday open).

*থাগৎচরিবা :* **Th. Ibotombi**
***Bishnupur Bazar.***

*HL-B/3821/12*

ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ/খুদোংচাবা

Youth Organization Khagempalli না শিঞ্জদুনা মে ১৩, ২০১৭ ইং, থাংজ নুমিৎতা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা **BUMPER HOUSIE** অদু করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী লাক্কদৌরিবা জুন ১০, ২০১৭ ইং, থাংজ নুমিৎতা ওইনা পাঙথোকচরগনি।

***Sd/- Secretary,***
***Youth Organization Khagempalli***

*HL-P/1571/12*

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
NINGTHOUKHONG, MANIPUR

*Ref:- Mut. Case No. 160/SDC/NTK/2017*

Khwairakpam Radhe Devi w/o (L) Shananingthou Singh of Ningthoukhong Awang.

*-Petitioner*

-Vs-

Late Khwairakpam Shananingthou Singh s/o Gopalmacha Singh of Ningthoukhong Awang.

*-O.P.*

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ/NOTICE

Ningthoukhong, the 09th May, 2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি ৪৩-নিংথৌখোং অৱাং ভিলেজগী পাট্টা নং ৪৩/৮৫০ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ১৫২৬ এরিয়া ০.০২ একর চাওবা ইশ্বোল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখিবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী লোইনবী (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংলবদি উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্লিবা মে ১৭, ২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/1568/12*

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL,
D.M.COLLEGE OF TEACHER EDUCATION, IMPHAL
ADMISSION NOTICE FOR B.E. & M.Ed. COURSE

**Imphal, the 9th May, 2017**

**No. 301/1/09-TE: .** Prospectus and application form for admission to B.Ed. & M.Ed, in the D.M. College of Teacher Education, Imphal for the session 2017-18 details can be had from the college office during office hours on the dates & time as follow/ College website **www.dmcte.co.in**

I. **B.Ed. Course**

Eligibility - 50 % marks at Graduate/Postgraduate level and 45 % for SC/ST/PWD/Sports.

1. Date of issue of Prospectus & Admission Form : 10/5/2017 to 31/5/2017
2. Date of submission of completed Admission Form: 22/5/2017 to 31/5/2017 up to 3 p.m.

II. **M.Ed. Course**

a. Eligibility - 55 % marks in B.Ed, and 45 % for SC/ST/PWD/Sports.
b. Date of issue of Prospectus & Admission Form: 10/5/2017 to 24/5/2017
c. Date of submission of completed Application form : 18/5/2017 to 24/5/2017
d. Employed candidates shall have routed their application through proper Channel.

**Any application form found incomplete shall summarily be rejected.**

*Sd/-* **Dr. H. Ibomcha Sharma**
Principal
D. M. College of Teacher Education, Imphal

*HL-P/1551/10&12*




HL-B/3857/9/5-9/6